# সি সি মীট – এস এস য়ু শিংজমৈনা এ এফ সি থৌবালবু মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনা শীন্দুনা থা অসিগী ৪ দগী ইম্ফালগী মপাল কাঙজেবুংদা মপালগী টিম ২ য়াওনা পূন্না টিম ৩২ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৬২ শুবা সার চুড়চান্দ সিংহ, কে সি এস আই, সি বি ই নীংশিং ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯–২০দা এস এস য়ু শিংজমৈ মায় পাক্লুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।



২১ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি এ এফ সি থৌবাল অমদি এস এস য়ু শিংজমৈনা শান্নখিবা টুর্নামেন্টকী অনীশুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এস এস য়ুনা এ এফ সিবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

এস এস য়ু শিংজমৈগী মায়কৈদগী এল রোসননা ওফেন্সিপ লাইন অপতা লুচিঙদুনা অকনবা ষ্ট্রাটিং এলবেন শেমদুনা মেটচ অসি হৌরকপদগী হৌন্না এ এফ সি থৌবালগী মায়কৈদা চাঙ নায়না তকশিন্দুনা প্রেসর পীশিনখ্রবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনিট লোয়রমদাই ৪১ চৎপদা বোক্সকী হেক মপালদগী এস এস য়ুগী টি ঐচ প্রেমজিৎনা কাওরকপা ফ্রি কিক্তা এ এফ সি থৌবালগী গোল কিপ্পর ৱাই সুরচন্দ্রনা নীংথিনা কলেক্সন তৌবা ঙমহৌদবদগী থক্তোরকখিবা বোল অদু এস এস য়ুগী জর্সি নম্বর ২৪ ঐচ সিতলদা চপ চান্না তাদুনা সিতলনা ফঙখিবা খুদোংচবা অদু মাঙহনবা তৌদনা গোলদা ওন্থোক্লুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওব গোল অসিনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোথরিবা এ এফ সি থৌবালদা য়াওরিবা এক্সপিরিয়েন্স শান্নরোইশিংনা নীংথিনা মশক থোকপা প্রফোমেন্স পীরক্তবদগী অহৌবা অদু টিম অসিগী মিল্ডফিল্ড শান্নরোই এন জি পিটর অমদি সবষ্টিটু্যটদগী চঙলকখিবা এম ওকেননা নীংথিঙনা মেন্সিলত্তুনা শান্নবা হৌরকখ্রবসু এস এস য়ুনা ফঙখিবা ফ্রি কিক অমদা জর্সি নম্বর ৩ টি ঐচ প্রেমজিৎনা থীঙবা ঙমলোয়দবা অকনবা ষ্ট্রাইক অমদা নেটকী কাচীনদা থোমজিন্দুনা মিনিট ৫৪ চৎপদা এস এস য়ুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

এ এফ সিনা শোথরিবা গোল ২ অদু হন্দোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখ্রবসু শিংজমৈনা অনীশুবা গোল চনখ্রবা মতুংগী থংন্নবা মিনিট ৫৫ দা সাহিদুরগী হেদ্দিংনা পীরকপা বোল অমদা জর্সি নম্বর ৭ এম দি ফয়াজুদ্দিননা য়াম্না কন্না হোৎনরগা এস এস য়ুগী দিফেন্দর অনী লান্থোক্লগা গোল কিপ্পরবু মায়থিবা পীদুনা গোল অমা হন্দোক্তুনা ২–১ দা লৈখি।

এ এফ সি থৌবালনা গোল অমা হন্দোক্তুনা মেটচকী লমজেদা অমুক লাক্লবা য়াম কন্না হোৎন্নরিঙৈগী তাঞ্জাদা টিম অসিগী এস থোমাসনা শোয়বদগী এস এস য়ুগী এল রোশননা মুদুনা মখোঙ য়াঙনা য়েৎ থংবা ৱিংলোমদগী রোশননা মহাক্কী টিমমেট জর্সি নম্বর ২১ এন বিনোদখনাগী লাক্কদবা লম্বীদা ক্রোশিং তৌশিনখি অমসুং বিনোদখনানা বোল অদু নীংথিনা শমজিন্দুনা এ এফ সি থৌবালগী অহঙবা নেট মনুংদা চঙহন্দুনা মিনিট ৫৭ চৎপদা এস এস য়ুগী অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোথরিবা এ এফ সি থৌবালগী মায়কৈদগী মেটচ অসিগী লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা গোল হন্দোক্লবা হোৎন্নরক্তুনা অচেৎপা থজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্তুনা এস এস য়ুবু লাকশিন্দুনা শান্নখ্রবসু এস এস য়ুগী টি ঐচ প্রেমজিৎনা লুচিঙবা দিফেন্স লাইন অপনা মশক থোকপা প্রফোমেন্স উৎখিবনা এ এফ সি থৌবালগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেকশিং অদু অরেম্বা তাহনখি।

এস এস য়ুগী কোচ এল দোরেননা মহাক্কী টিমবু মেটচ অসিগী অরোয়বা মীকুপ ফাওবা খোঙফম চেৎনা লেপ্পবা হোৎন্দুনা দিফেন্স রোমদা হেন্না মথৌ তৌহনখি।

মেটচ অসিগী অপীবা মিনিট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনিট ৩ দা এস এস য়ুগী জর্সি নম্বর ১৫ টি ঐচ চিঙ্খেনা মহাক্কী টিমগী মরিশুবা গোল অদু চন্দুনা এস এস য়ুবু মায় পাক্লবগী অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেল তম্না পূশিনখি।

মেটচ অসিদা এ এফ সি থৌবালগী জর্সি নম্বর ৮ এন জি পিটর অমসুং জর্সি নম্বর ৫ এল সূরজতা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি টি ঐচ কিরনজিৎ, কে ঐচ রঞ্জিৎ সিংহ, দব্লিউ ইবোয়াই সিংহ অমদি এস ওনিলনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিস্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিস্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

Next Match
26/12/2019
Match No. 22
FC LAMJAO vs MA
Time : 1.45 pm.

# নম্সা খা–ইম্ফালনা তরাতরেৎশুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন ( এম ভি সি এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা টিম ৮ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথবিরা ১৭ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯–২০গী ৱিন্নর নম্সা খা–ইম্ফাল ওইখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী অরোয়বা মেটচ ওইনা ঙসি ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল অমদি নম্সা খা–ইম্ফালনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা নম্সানা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্টগী ৱিন্নর ওইখিবনি।

মেটচ অসিদা নম্সানা তোস ঙমদুনা বোল্লিং হন্না খনখিবদা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা ওভর ১৫.৫ তা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ৬২ খক লৌখি। মসিগী পাউখুমদা নম্সা খা–ইম্ফালনা ওভর ১২.৫ তা ৱিকেট ৩ তুরগা অপীবা ত্রাগেট ৬৩ লৌদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ৭ তা মায় পাকখিবনি।

ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী বেট্টিংদা কুমারজিনা বোল ২৬ তা রন ২৯ লৌখি। নম্সা খা–ইম্ফালগী বোল্লিংদা দোরেননা ওভর ৫ দা ৱিকেট ৫ অমসুং সাইমননা লভর ৪.৫ তা ৱিকেট ৪ লৌখি।

নম্সা খা–ইম্ফালগী বেট্টিংদা বিপিননা বোল ৩৪ দা রন ২৫ লৌখি। ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী বোল্লিংদা প্রিয়োকুমারনা ওভর ৬ তা ৱিকেট ২ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচতা নম্সা খা–ইম্ফালগী ৱিকেট ৫ লৌখিবা দোরেননা তাখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা নম্সাদা শিংজমৈ চিঙামখা লীৱা লম্বীদা লৈবা ই ভোরোট সিংহনা লৈখিদ্রবা মহাক্কী অপাকপী কৈন্যহনবীগী মিংদা কৎপা লুপা লিশিং ১৫ গা লোয়ননা রোল্লিং ট্রোফি ফঙখি।

রন্নস অপ তাখ্রবা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালদা তোপ ময়াই লৈকাইদগী ডা. এ হেরোজিৎনা লৈখিদ্রবা মহাক্কী অপোকপা এ ইবোচৌবা সিংহগী মিংদা কৎপা লুপা লিশিং ১২ গা লোয়ননা রোল্লিং ট্রোফি ফঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মেন ওফ দি সেরিসনা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী এস কুমারজিৎনা ৱিকেট ৫ অমসুং রন ১০৭ লৌদুনা তাখি। হায়েষ্ট ৱিকেট টেক্করনা সাইক্লোনগী সুরজিৎ অমসুং চেম্পগী বাব্লুনা ৱিকেট ৯ / ৯ লৌদুনা তাখি। লোয়ননা হায়েষ্ট রন স্কোল্লরনা সাইক্লোনগী থোইথোইনা রন ১১১ লৌদুনা তাখি।

# এফ আর দব্লিউ সিনা অথিংবা লৌথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ

ফুটবোল রেফরি ৱেলফিয়র কম্মিটি ( এফ আর দব্লিউ সি) মণিপুরনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ঙসি অম্ফাগী প্রসিদেন্টনা লুচিঙদুনা অম্ফাগী ওফিসেলশিং অমদি এফ আর দব্লিউ সিগী মীহুৎশিং য়াওবা অখন্নবা মীফম অমা অম্ফাগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা এফ আর দব্লিউ সিনা কে ঐচ রঞ্জিৎ সিংহ, এল গোকুলানন্দ শর্ম্মা অমদি জোনি চোথেগী মথাক্তা থম্লম্বা অথিংবা অদু কোমথোক্লদুনা মখোয়না ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌবদা অয়েৎপা পীদবগা লোয়ননা অমনা অমবু মতেং পাঙন্নবা হায়নসু য়ান্নখ্রে হায়রি।

# ষ্টার ক্লব অমসুং বি এস য়ু দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন (আই ই দি এফ এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ২০ দগী টিম ৭ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা ৱাই দব্লিউ সি প্লে গ্রাউন্দ থম্বালখোংদা চথরিবা কোইজম মাধোপ নীংশিং সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯–২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ষ্টার ক্লব মোরাংকম্পু অমদি বি এস য়ু কৈরাও গোল ১–১ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

ষ্টার ক্লব মোইরাংকম্পুগী গোল অদু জর্সি নম্বর ১২ এল জোন্সননা মিনিট ৫৪ দা চনখি অদুগা বি এস য়ু কৈরাওগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ এ নোংথাংনা মিনিট ১২ চৎপদা চনখি। মেটচ অসিদা ষ্টার ক্লবগী জর্সি নম্বর ৮ মহেস অমসুং জর্সি নম্বর ৩ বিজদা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি ৱাই ইঙোবী, এ দিঙ্কু, চিঙ্গোইলেমবা অমদি এল রাজানা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিস্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিস্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল অমদি ই এস য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ



ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ডাইরেক্টোরেট ওফ য়ুথ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা পূন্না শীন্দুনা মমাঙ থা ১৬ দগী টিম ৮ না শরুক য়াদুনা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা শান্নবা হৌখিবা অন্দর–১৭ খেলো ইন্দিয়া ৱুমেন’স ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি মপাল কাঙজেবুংদা শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল অমদি ই এস য়ু ৱাঙ্খৈ মায় পাকখ্রে।

লীগ অসিগী ২১ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা ক্রিপসা নাওরেমথোং অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা ক্রিপসাবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২০ হোইনৈহাটনা অহানবা হাল্ফকী মিনিট ২৮ অমসুং অনীশুবা হাল্ফকী মিনিট ৩৯ চৎপদা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি দব্লিউ ইবোয়াই সিংহ, টি ঐচ কিরনজিৎ, কে ঐচ রঞ্জিৎ অমদি এল গোকুলানন্দনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিস্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিস্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

২২ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা লেনলাই ক্লব চুড়চান্দপুর অমদি ই এস য়ু ৱাঙ্খৈনা শান্নখিবা মেটচতা ই এস য়ুনা লেনলাই ক্লবপু য়াম লাকচন্না গোল ১৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ই এস য়ু ৱাঙ্খৈগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১২ এস উমানা মিনিট ৭, ১৩ দা গোল ২, জর্সি নম্বর ১৩ জি অঞ্জলিনা মিনিট ১৯, ৩৩ দা গোল ২, জর্সি নম্বর ১০ এন প্রিয়ঙ্কনা মিনিট ২৫, ৩৬, ৪৫ দা গোল ৩, জর্সি নম্বর ১৪ বুংলুৱামনা মিনিট ২৭, জর্সি নম্বর ৮ হিঙনৈলামনা মিনিট ৩০, জর্সি নম্বর ১৭ কে অঞ্জুনা মিনিট ৩৯, ৫৪, ৬০ দা গোল ৩, জর্সি নম্বর ১৮ এন সন্ধিয়ানা মিনিট ৫৮ অমসুং জর্সি নম্বর ৪ এন গিতঞ্জালিনা মিনিট ৫৯ দা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এল গোকুলানন্দ, কে ঐচ রঞ্জিৎ, টি ঐচ কিরনজিৎ অমদি দব্লিউ ইবোয়াইনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিস্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিস্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# কোঙফুগী টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ

ওল ইন্দিয়া কোঙফু ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা কোঙফু স্পোর্টস এসোসিয়েসন ওফ মহারাষ্ট্রানা শীন্দুনা থা অসিগী ২৮ দগী ৩০ ফাওবা মহারাষ্ট্রাগী পুনেদা লৈবা সাই বাবা শেবাদম কানহি ফট্টাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫ শুবা নেস্নেল কোঙফু চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেটকী টিম অসিদা নুপা নুপী পূন্না শান্নরোই ৫৮ না শরুক য়াগনি। লোয়ননা টিম অসি এস রাচেশ্বরনা টিম কোচ, এন ৱাশিংতন মৈতৈনা এষ্টিটেন্ট কোচ অমদি ডা. ঐচ রোমেননা ওফিসিয়েল ওইনা শরুক য়ারি।

# বেদমিন্টন টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ

বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা অন্ধ্র প্রদেশকী রজামুন্দরিদা থা অসিগী ২৪ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র নেস্নেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুরগী টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিং অদুদি নুপাগীদা– মৈরাবা লুৱাং, বিদিয়াসগর শলাম, কে দিঙ্কু, কে ঐচ মঞ্জিৎ, এস জির্য়োটিচন্দ্র, পূন্সিবা য়েংখোম, এম শ্রীরজিৎ অমদি জোমি সিঙ্গমনি।

নুপীগীদা কে এস ঐচ মহেশ্বরি, ভিলিন্দ হুইদ্রোম, এল দাইনা, কে প্রিয়া অমদি সনানু মৈস্নামনি।

ষ্টেটকী টিম অসি কে ঐচ রঞ্জিৎনা মেনেজর অমসুং এম রোমেস লুৱাংনা কোচ ওইনা লুচিংলি।

# ঐচ এফ এ অচানবিগৈ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ

রাইজিং নোলেঞ্জ ক্লব খুয়াথোংনা শীন্দুনা চথরিবা ইমা মনিশং ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ঐচ এফ সিনা থাউ (বি)বু ২–১ দা, ৱাই আই সিনা গোল্ডন এফ সি (বি)বু ৩–১ দা, ঐচ বি এনা নেসুবু ১–০ দা অমসুং য়ু টি এফ দব্লিউ ওনা গোল্ডদন এফ সি (এ)বু ৭–০ দা মায়থিবা পীখি।

# ত্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ

ইষ্ট্রন ইন্দিয়া বোডি বিল্ডরস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ওড়িসা বোডি বিল্ডরস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ২০২০ ফেব্রুৱারি ১৮ অমসুং ১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১০ শুবা ইষ্টন জোন ২০২০দা শরুক য়রুনবা মণিপুরগী টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ২৯ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্তা লৈবা ওল মণিপুর বোডি বিল্ডরস এসোসিয়েসনগী ওফিসতা পাঙথোক্লগনি।

মরম অদুনা এসোসিয়েসন অসিদা রেজিষ্টার তৌরবা শান্নরোইশিংনা ত্রাইয়েল অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

# পি ৱাই পি সি (এ) মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ

পুঙদোংবম য়ুথ ফিজিকেল ক্লব না শীন্দুনা টিম ১২ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা থা অসিগী ২৩ দগী ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা চথরিবা অহানবা পীদোইনু ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট য়ু–১৩ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা পি ৱাই পি সি (এ)না গোল্ডন এফ সিবু ২–০ দা মায়থিবা পীখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা পি ৱাই পি সি (বি) অমদি কে ৱাই এফ এ গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

# এস বিন্দিয়ারানি পূক্নিং থৌগৎখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ

নেপালগী কাঠমন্দু অমসুং ওকরাদা থা অসিগী ১ দগী ১০ ফাওবা পাঙথোকখিবা ১৩ শুবা সাউথ এসিয়ান গেমস ২০১৯ অমসুং অপীয়া সমাওদা জুলাই ৯ দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা কর্ম্মনৱেল্থ ৱেফলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড লৌরকখ্রবী সোরোখাইবম বিনি দয়ারানি চনু ঙসি ৱেলফিয়র ওর্গনাইজেসন ওফ লঙ্গোল নিংথৌ লৈকাইনা শীন্দুনা ওকখ্রে। বিনি দয়ারানিনা কর্ম্মনৱেল্থ অমসুং সাফ গেমসতা সেনিয়রগী কেজি ৫৫ তা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

চহী ২০ দা ঙাইরিবী ৱেফলিফট্টর অসি লাঙ্গোল নিংথৌ লৈকাইদা লৈবা সোরোখাইবম রাজেন অমসুং সোরোখাইবম ইবেমচা অনীগী মচানুপীনি।









Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com